# লৈখিদ্রবা ভি দি এফ মেম্বর কে ঐচ ইনাউচাগী ইমুং-মনুংদা লুপা লাখ ১.৫গী মতেং পাংখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএনএস): লৈখিদ্রবা ভি দি এফ খুমুচম ইনাউচাগী অপোকপী অমদি মচেদা ঙসি প্রেস ক্লবতা য়াম্না চম্না পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিয়সননা লুপা লাখ অমগা লিশিং য়াঙ্খে খুৎশিন্নখ্রে।

প্রেস ক্লবতা লৈখিদ্রবা ইনাউচাগী ইমুং-মনুংদা মতেং ওইনা শেলগী মতেং পাংবগী থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ভি দি এফ ৱেলফ্যের এসোসিয়সনগী প্রসিদেন্ট এম দি রিয়াজ খাননা ফোঙদোকখিবদা লৈখিদ্রবা ভি দি এফ খুমুচম ইনাউচা থাংমৈবন্দ হিজম দেবান লৈকায়দা লৈবা খুমুচম তোম্বগী মচানুপানি। মহাক ইম্ফাল ৱেষ্টকী রিজর্ভ লাইন (আর এল)দা লৈরম্বা অদুগা এটেচ ওইনা লম্ফেল কোর্টতা মথৌ তৌরম্বনি। মহাক মশাগী অনাবা অমনা মরম ওইরগা হৌখিবা দিসেম্বর ২০দা জে নিমসতা লৈখিদবনি। মহাক্না মনুং মতম চাদনা লৈখিদবা অসিদা এসোসিয়সন অসিনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা ফোঙদোক্লি। লৈখিদ্রবা ইনাউচা নুপী থিদ্রিবা পাখঙ অমা ওইরগসু ইমুংগী অহল ওইবনা য়ুমগী থৌদাং লৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু লাইবক থিবদি মতম শাংনা পেরালাইসিস তৌদুনা মিমান্নবা ঙমদনা হিংলিবা অপোকপা মপা অমসুং মহাক্কী মপাঙ্গল শোল্লবি মমানা খুদোংচাদবা ফীভমদা অৱাবা মায়োক্নদুনা হিংলি। মসিদা গর্ভর্ণমেন্টনা ভি দি এফশিংদা পীরিবা খুৎশুমন খরা অসিনা হিংলিঙৈ মতমদসু মশক থোক্না মরেক-মহাউয়াওনা হিংবা পুন্সি ওইবা ঙমদনা উপায় লৈত্রদুনা অফঙবা খরা চারগা ইমুং পুজরম্বা মীশক অদুনা লৈখিদবদা অশোনবা মমা মপানা ৱানা হিংলিবা অসিদা লৈঙাক্না মতেং পাংবিবা হায়বদুসু লৈত্রি।

গভর্ণমেন্টনা করিসু থৌশাদনা তুম্মিন্না লৈশিন্দুনা লৈরিবসি ভি দি এফ পর্সন অমসুং ভি দি এফশিংগী ফেমিলিশিং সুসাইদ তৌদুনা শিরকপা ঙাইদুনা লৈবগী থৌওং মাল্লি। মরম অদুনা অথুবদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিদুনা মতিক চাবা তোলোপ পীবিয়ু হায়না এসোসিয়সনগী মায়কৈদগী আপিল তৌজরি। এসোসিয়সন অসিনা দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈখিদবা ভি দি এফশিংদা লুপা লাখ অমমম্ পীরম্বনি অদুবু অনৌবা চহী ২০২১না লাকপদা লিশিং ৫০ হাপকৎতুনা লুপা লাখ অমগা মখায় পীবগী খুদোংচাবদু কে ঐচ ইনাউচাদগী হৌবগা লোয়ননা ওন দ্যুটিদা শোকপা-পনবা য়াওরকপদা হান্না লুপা ১০,০০০ পীরম্বদু অদুসু অনৌবা চহী অসিদগী মেদিকেল রিপোর্টকী মতুংইন্না লুপা লিশিং ৩০ ফাওবা পীরগনি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক অসিদা তৌজরিবা ৱেলফ্যের অসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি কে ঐচ মেঘচন্দ্র (এম পি এস)কী মীৎয়েং মখাদা চৎথবা ঙমজবনি। ৱেলফ্যের অসিদা থৱায় হাপ্পীদুনা সপোর্ট তৌবিরিবা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী কনসর্ন ওথোরিটিগী অচৌবা মীনুংশিগী থৌজলনা ঙম্বনি। মরম অদুনা ভি দি এফ শিংনা দ্যুটি তৌবদা মপুংফানা দিসিপ্লিন লৈনা থবক তৌবিয়ু হায়নসু মহাক্না থৌরম অদুগা মরি লৈননা ভি দি এফ পর্সনশিংদা আপিল তৌখি।

# মীয়াম্না শেল খায়নদুনা শেমজিল্লিবা শান্নবুং এম এল এ রামেশ্বরনা তেংবাঙ পীখ্রে

ককচীং, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচ এনএস): ককচীং ৱাইরি খুঞ্জাম্পাৎ প্লেগ্রাউন্দ দিভলপমেন্ট বেনিফিসরি কম্মিটিনা ককচীং ৱাইরিদা লৈবা খুঞ্জাম্পাৎ হায়না খঙনবা শান্নবুং অসি মীয়ামগী অঙম অঙম্বা তেংবাঙ পীদুনা শেমজিন-শাজিনবগী থবক্তা ককচীং এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ, ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা য়েংশিনবগা লোয়ননা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রে হায়রি।

ককচীং ৱাইরিগী লৈকায় মরি হায়বদি ককচীং ৱাইরি সেনাপতি লৈকায়, ককচীং ৱাইরি শাবল লৈকায়, ককচীং খুনয়াই লৈকায়, ককচীং ৱাইরি সলাম লৈকায় অমসুং ককচীং ৱাইরি নিংথৌজম লৈকায় হায়রিবা লৈকায়শিং অসিগী অমত্তা ঙাইরবা অমসুং ককচীংগী মপূং ওইবা, য়াম্নমক মফম চারবা শান্নবুং অসি মতম শাংনা শান্নবা য়াদদুনা লাকপদগী ককচীং ৱাইরি খুঞ্জাম্পাৎ প্লেগ্রাউন্দ দিভলপমেন্ট বেনিফিসরি কম্মিটি কৌবা অমা শেমদুনা লৈবাক থোনবগী থবক চঙ্খদুনা লাকখি। ঙসি মফম অদুদা ককচীং এ সীগী এম এল এ ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা মশামক লাক্তুনা য়েংশিনখিবগা লোয়ননা শান্নবুং অসি নিংথিনা শেমজিনবদা শান্নবুং অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা খোংলমশিং নিংথিনা শেংদোক্তুনা শান্নবুং অসিদা ঈশিং তুংশিন্দনবা করি-করি থবকশিং পায়খৎপা য়াবগে হায়বা অদুসু য়েংশিল্লমখি।

এম এল এ রামেশ্বরনা ফোঙদোক্লম্বদা শান্নবুং অসি য়াম্না মফম চাবা শান্নবুং অমনি। শান্নবুং অসি মীয়াম্না শেল খায়নদুনা শেমজিনলি হায়বা পাউ ফংবদা য়েংবা লাকপনি। মহাক মশামকসু এম এল এ ওইবা থা অমা মখায়রোমতমক ঙাইরিবনি। করি কমদৌনা শেমগৎপা য়াগদবগে হায়বা অদু অথুবা মতমদা মরী লৈনবা লোইশঙগা তানদুনা হোৎনগে। শান্নবুং অসি মওং তানা শেমগৎতুনা থম্বা হায়বা অসি হৌরক্লিবা নহাশিংনা ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাদুনা/শীজিন্নদুনা ঙাওশিন্নদুনা লৈগদবা কয়া অদুদগী কনবা ঙমগদৌরিবনি। মসিদা মহাকসু লুপা লিশীং ১০ খক মতেং পাংজরগনি। মখা তানা শান্নবুং অসি নিংথিনা শেমগৎনবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পীজগনি হায়না ফোঙদোক্লমখি।

নীংশিংবা য়াবদা, ককচীং ৱাইরি খুঞ্জাম্পাৎ প্লেগ্রাউন্দ দিভলপমেন্ট বেনিফিসরি কম্মিটিনা মীয়ামগী অঙম অঙম্বা তেংবাঙদগী শেমজিন/শাজিনবগী থবক চঙ্খরিবা শান্নবুং অসি দিষ্ট্রিক্ট লেভেলগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট কয়া পাঙথোক্তুনা ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা শান্নরোয় কয়া থোকখ্রবা শান্নবুং অমা ওইরিবনি। ককচীংগী অকোয়বদা লৈরিবা মীয়াম অমসুং শান্ন-খোৎনববু য়োকখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌবীরিবা মণিপুরগী মীয়াম্নসু শান্নবুং অসি শেমজিন শাজিনবদা অঙম অঙম্বা শেলগী মতেং পাংবীয়ু হায়নসু ককচীং ৱাইরি খুঞ্জাম্পাৎ প্লেগ্রাউন্দ দিভলপমেন্ট বেনিফিসরি কম্মিটিগী মায়কৈদগী মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি।

# অরোং তুরেল মপান লম্বী সিমেন্ট কনক্রিট থাবা হৌখ্রে



খাঙবোক, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএনএস): নেসনল হায়ৱে ৩৯ অরোং তুরেল থোংখোংদগী ইকোপ পাৎ ফাওবা কিলোমিটর ৩.৫গী অরোং তুরেল মপালগী লম্বী সিমেন্ট কনক্রিট থানবগীদমক শেমজিনবা হৌখ্রে। লম্বী অসি শেম্বীবগীদমক চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু খাঙবোক্কী মীয়াম্না অপেনবা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি দিপার্টমেন্টকী মীওইশিং অমদি খাঙবোক এ সীদা বি জে পিগী মীরেপ ওইখিবা টি ঐচ জাদুমনিনা হৌজিক থবক শুবা হৌরিবা মফম অদুবু য়েংশিল্লদুনা মহাক্না হায়, অরোং তুরেলগী নাকল অনীদা চৎলিবা লম্বী অসি হান্নগী সী এম ও ইবোবীগী মতমদা অথোকপম থংনবা মায়কৈগী লম্বীদি কোয়লাস থাদুনা শেম্বীরম্লে। হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি লৈঙাক অসি লাকপদগী সী এম এন বিরেননা অয়াবা পীবিবদগী খাঙবোক থংনবা লম্বী অসিসু কিলোমিটর ১৫ শাংনা লৈবাক হৈদুনা শেমজিনবা হৌরকপনি। মমাঙদা পাঙথোকখিবা এম পি মীখল মতমদা সী এমনা হায়রিবা লম্বী অসি কোয়লাস থাদুনা শেমগনি হায়না লাউথোকপীরম্বগী মতুংইন্না এন ঐচ ৩৯ অরোং তুরেল থোংখোংদগী খাঙবোক পার্ট টু ইকোপ পাৎ ফাওবা কিলোমিটর ৩.৫গী লম্বী অসি হৌজিক মণিপুরদা অমুক্তা শেমখিদ্রিবা মওংদা ইঞ্চি মরি মখায়রোম থানা সিমেন্ট কনক্রিট থাদুনা শেম্বা হৌনবা অয়াবা পীরক্লে। মসিগীদমক খাঙবোক্তা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্না সী এম এন বিরেনবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না জাদুমনিনা ফোঙদোকখি।

লম্বী শেম্লিবা অদুবু য়েংশিনবা লাকখিবা পি আই য়ু ২ থৌবাল রেদ/পি এম জি এস ৱাই (রুরেল ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট) গী এ ঈ শগোলশেম সরতচন্দ্রনা ফোঙদোরকপদা লম্বী অসি পি এম জি এস ৱাই- ২ ফেজ ১গী মখাদা শুবা হৌবনি। লিলোংদগী এম দি খৈরুদ্দিন কৌবা স্পেসল ক্লাস কন্ট্রেক্টর অমদা পীবা থবকনি। অপীবা মতমগী মনুংদা লম্বী অসি শেম্বা লোইননবা হোৎনগনি। মরম অসিনা লম্বী অসিগা থংননা লৈরিবা য়ুম্লুশিংনা অপনবা অমত্তা য়াওদনবা অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়না আপিল তৌরকখি।

য়েংশিনবা অদুদা পি আই য়ু ২ থৌবাল রেদ/পি এম জি এস ৱাই (রুরেল ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্ট) গী এস ও এম বোনেশ, অতৈ ষ্টাফশিং অমদি থবক শুরিবা ঠিকাদারশিংসু শরুক য়াখি।

# লুখোশৈ জৌগী মায়োক্তা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং লায়বক থিবনিঃ অটসুম

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা চহীগী দিসেম্বর ১৭ তা এন দি এন্দ পি এসকী স্পেসল কোর্ট অমনা লুখোশৈ জৌবু মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখ্রবা মতুং লুপ খরনা লনাই ইন্টরেষ্টতা য়েংলগা লুখোশৈবু মরাল লৈবা মী অমা ওইনা উহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি লায়বকথিবনি হায়না ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর (অটসুম) না ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ুনিয়ন অসিগী সেক্রেটরি ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, চান্দেল ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী হান্নগী চ্যেরমেন লুখোশৈ জৌ হৌখিবা চহী ২০১৮ দা দ্রগ কেস অমগা মরী লৈননা ফাখিবনি। চহী অনীমখায়রোম কেস অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা কুপ্না থিগৎলবা মতুং মহাকপু মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখ্রগা মরাল লৈবশিং লোগী মতুং ইন্না চৈরাক পীনবা কোর্টনা খঙহনখ্রে।

কোর্টনা মরাল লৈত্রে হায়না থাদোকখ্রবা মীওই অমবু হঞ্জিন হঞ্জিন অরানবা তাহন্নবা হোৎনরিবা অসি য়ুনিয়ন অসিনা য়েংদুনা লৈথোক্লোই। মরাল লৈজদবা লোখোশৈ জৌ চহী অনী হেন্না জেলদা অৱাবা খাঙলুরবনি। চহী অনীরোম মরাল লৈতনা জেলদা অৱাবা খাঙলুরবা মতুং কোর্টনা মহাক মরাল লৈতে হায়না প্রুভ তৌরবা মতুংদা থাদোকখিবনি।

লায়বকথিবদি লমদম অসিদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরনা মশাগী ওইবা ইন্টরেষ্টতা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপদা নত্তনা লুখোশৈ জৌগী কেস হায়র কোর্টতা আপীল চৎনবা দিমান্দ তৌরি। করিগুম্বা লৈঙাক অসিনা মীওই খরগী খোল্লাউ তারগা লোখোশৈ জৌগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি য়ুনিয়ন অসিনা তুমিন্না খক য়েংদুনা লৈথোক্লোই হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ৱার ওন দ্রগকী খোঙজং য়ুনিয়ন অসিনা মপুং ফানা শৌগৎলি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# অরাপটি অৱাং লৈকায়দা লৌবুক মায়কৈ পাংলসি থৌরম পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএনএস): অরাপটি উরুপ ফার্মর্স এসোসিয়সননা শিন্দুনা লৌবুক মায়কৈ পাংবা, নিংথম মরু মরাং হুনবা হায়বগী থৌরম অমা পাঙথোক্তুনা ঙসি অরাপটি অৱাং লৈকায়গী ময়াংবুং লৌকোল হৈনিং মখোঙদা অকামপাৎ সর্কল ইম্ফাল ইষ্টকী এক্সটেন্সন ওফিসর থোকচোম সুমতিনা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াদুনা হৱায় থরাক মরু হুনখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা এক্সটেন্সন ওফিসর সুমতিনা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা চহীনা লাকপদা অরাপটি উরুপ ফার্মর্স এসোসিয়সননা হাংদুনা লৈরিবা লৌবুকশিংদা মরু-মরাং থাদুনা পোৎথোক হেন্না পুথোক্নবা হোৎনরিবা, লৌবুক মায়কৈ পাঙলসি হায়বা অসিগুম্না মণিপুরদা লৈরিবা লৌমি খুদিংমক্না মতৌ তম্বা ওইরসনু। হৌজিক লায়না-তিন্নাগী মতম অসিদা লৌশিংনা অনা-অয়েক য়াওদনা নাবা য়াদে হায়বা ৱাফম সুমতিনা ফোঙদোকখি।

ফার্মর্স এসোসিয়সন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি, শোইবম মনিতোননা থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি চাওখৎপা অমদি অওনবা ইরমদম অমা পুরক্কবা হোৎনবদা লৌমীশিংগী থৌদাং য়াম্না চাওই। চহী কয়াদগী চিঙ্গাক্তা মীপাল তাংদুনা লাক্লিবা অসি মখা তানা মীপান তাংদবা লমদম অমসু ওইননবা হোৎনমিন্নসি। সী এম বিরেনগী লৌবুক মায়কৈ পাংলসি হায়বা থৌরম অদুগী মতুংইনদুনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নরসি হায়না ফোঙদোকখি।

# য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরিগী মপোক নুমিৎ পাঙথোকখ্রে

য়াইরিপোক, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএনএস): দি য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরি (ৱাই টি এস এম এল), য়াইরিপোক্কী ২৮লকশুবা মপোক নুমিৎ থৌরম ঙসি য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা লৈবা বেদমিন্টন ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

মপোক কুমওন থৌরম অসিগা পাঙথোকপগা লোয়ননা 'মাইবম মঞ্জুরি নীংশিং খোরিরোল মনা ২০২০' য়েন্থোকখি অমসুং অইবা রঘুবির থিয়ামগী এন্থোলোজিগী তোঙান তোঙানবা লাইরিক অনী খকসু রিলিজ তৌখি।

থৌরম অদুদা ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ কৈশাম মেঘচন্দ্র, য়াইরিপোক থম্বালনু সাহিত্য মরুপ কম লাইব্রেরিগী প্রসিদেন্ট ইবোতোম্বী খুমনচা অমদি মণিপুরী লেংগ্বেজ এদভাইজরি বোর্দ সাহিত্য একাদেমি, ন্যু দেল্লিগী কনভেনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী শরুক অমা ওইনা মীয়াম্না লৈখিদ্রবী মাইবম মঞ্জুরিগী ফোটোদা লৈ-শু কৎতুনা মহাকপু ইকায়খুম্নবা উৎখি। অদুগা 'অথেংবদা লৈহাও লৈনম' কৌবা ৱারীমচা লাইরিক্কী অইবা পোংসাতাবম কোমলাকান্তদা অথোইবা মীথুংনা 'মাইবম মঞ্জুরি নীংশিং খোরিরোল মনা-২০২০' খূৎশিন্নদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংগী চুনবা তোঙান তোঙানবা ক্লাসশিংদা তম্বা য়ারবা অইবা রঘুবির থিয়ামগী 'সনাগী থম্বাল' অমদি 'মণিপুরী লিমেরিক' কৌবা এন্থোলোজি লাইরিক অনীসু অথোইবা মীথুংশিংনা ফোঙখি।

# ইন্দিয়ন আর্মিনা মকুই ভিলেজদা কার্পেন্টর শেদ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএনএস): তামৈদা লৈরিবা ইন্দিয়ন আর্মি য়ুনিটনা মকুই ভিলেজদা লৈবা খুঞ্জাশিংদা কার্পেন্টর শেদ অমদি রুদ কার্ভিং ইক্যুপমেন্টশিং য়েন্থোকখ্রে।

ঙসি ইন্দিয়ন আর্মিশিংনা মকুই ভিলেজশিংগী খুঞ্জাশিংদা কার্পেন্টর শেদ অমদি রুদ কার্ভিং ইক্যুপমেন্টশিং য়েন্থোকখিবা অদু লমদম অদুদা লৈরিবা নহাশিংবু থবক পীনবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি হায়রি। অসিগুম্লবা অফবা খোঙথাং অমা তামৈদা লৈরিবা ইন্দিয়ন আর্মিগী য়ুনিটনা পায়খৎলকপা অসিদা মকুই খুলগী খুঞ্জাশিংনা হরাউ-নুংঙাইবা ফোঙদোকখি। হৌখিবা চহীদসু তামৈদা লৈরিবা ইন্দিয়ন আর্মি য়ুনিট অসিনা তোঙান-তোঙানবা মখলশিংগী রুদ কার্ভিং ইক্যুপমেন্টশিংসু থেব্রোন খুলগী খুঞ্জাশিংদা য়েন্থোকখি হায়রি।

# চিত্রেশ্বরনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর সাহিত্য পরিষদ ইম্ফালগী হৌখিবা চহী ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ৭১ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা 'গবেষনা ভুষন' মিংথোল পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রবা শক্লাইরবা অইবা অরিবম চিত্রেশ্বরনা হৌখিবা চহী ২০২০ গী দিসেম্বর ২৬ তা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা মণিপুরগী সাহিত্য পরিষদনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর সাহিত্য পরিষদনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, পরিষদ অসিগী প্রসিদেন্ট কাংজম ইবোহলনা থৌরম মপু ওইদুনা পাঙথোকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদু কোভিদ-১৯ গী চৎনা কাংলোন ঙাক্না পাঙথোকখি। মীফম অদুদা তিনখিবশিংনা মিনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকায়খুম্নবা উৎখি।

লৈখিদ্রবা চিত্রেশ্বর মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দিরেক্টোরেট ওফ ইন্দষ্ট্রিগী আর্ট এন্দ ক্রাফট থৌ পুরম্মী। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা নোভেল অহুম য়াওনা লাইরিক ১৬ লোম ইরম্মী। হৌখিবা কুমজা ১৯৮১ দা মণিপুর ষ্টেট কালা একাদমি এৱার্দ ফংখিবা অইবা অসি কুমজা ১৯৯২ দা 'থরোশংবী' নোভেলগীদমক সহিত্য একাদমি এৱার্দ অমসুং কুমজা ২০১৭-১৮ দা 'অপাইবা লৈচিল' নোভেলগীদমক মণিপুর ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচরসু ফংখি। অইবা অসিনা লৈখিদবা অসি লমদম অসিগী ওইনা অচৌবা মাঙজবা অমনি। মহাক্না লৈখিদবদা মেনখৎপা ঙন্নরোইদবা অচৌবা অহোবা অমা লৈহৌরগনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারক্লি।

অমরোমদা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, অসামগী ভাইস প্রসিদেন্টকী থৌ পুরম্বা হাওবম গৌরহরিনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা পরিষদ অসিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

# লাই হরাওবগী ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

থৌবাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএনএস): য়েলহৌ পুয়া দিভলপমেন্ট সোসাইটি মণিপুরনা 'লাই হরাওবা' হায়বা হীরমদা নুমিৎ ৪৫নি চূপ্না চঙ্খগদবা ষ্টেট লেভেল ৱার্কশোপ অমা ঙসি থৌবাল অচৌবা মেলা গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা খাঙবোক এ সীগী এম এল এ ও সুর্জকুমারনা অথোইবা মীথুংলেন, এস আই আর দি মণিপুরগী জোইন্ট দিরেক্টর ও লোকেন্দ্রোনা থৌরম মপু লোয়ননা চরাংপাৎ জে পি মেম্বর, প্রধান, থৌবাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লরশিং, লৈরোংথেল, ৱাংখেম অমদি তেন্থাগী জে পি নোমিনিশিং অমদি প্রধান নোমিনিনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

পেনা য়াকাইরোলগা লোয়ননা হৌদোকখিবা ঙসিগী থৌরম অদুদা থৌরমগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা য়েলহৌ পুয়া দিভলপমেন্ট সোসাইটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট, রতন লৈশাংথেমনা হায়, লাই হরাউবা হায়বা অসি ঙল্লিঙৈ মতমদগী মৈতৈ ঐখোয়না পাঙথোক্তুনা লাকপা মৈতৈ ঐখোয়গী তমজনফম ওইবা থৌরম অমনি। অদুবু ঙসিদি লাই হরাওবগী শক্তম অসি নোংমা নোংমগী কায়থরক্তুনা তমজনফম ওইরম্বা লাই হরাউবা অসি য়েংলুবদগী ঐখোয়গী পুন্সি মাঙনবগী লম্বী কয়া থোক্লক্লি। মরম অসিনা অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা লাই হরাওবা কলহৌনবা অমদি অচুম্বা লম্বীদা পুরক্নবগী ৱাখল্লোন্দা মণিপুরগী অখণ্ড অহৈ কয়াগা তানজদুনা য়েলহৌ পুয়া দিভলপমেন্ট সোসাইটি মণিপুর হায়বা লূপ অমা শেমদুনা ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকচবনি হায়খি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা এম এল এ ও সুর্জকুমারনা হায়, ঐখোয়গী ইপা ইপুশিংনা থম্বীরম্বা কলচরনা মণিপুর অসি মালেমদা মশক তাক্লিবনি। অসিগুম্বা ঐখোয়গী চৎনবী কয়াবু তুংগী মীরোলগীদমক খন্দুনা য়োকখৎনবা য়েলহৌ পুয়া দিভলপমেন্ট সোসাইটি মণিপুরনা মখা তানা তৌরকপা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংগনি হায়বা ৱাফমশিং ফোঙদোকখি।

# কৈরাও এ সীগী ভেন দ্রাইভরশিংদা মতেং পাংখ্রে



ইম্ফাল, জন্যুৱারী ০৩ (ঐচএনএস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকখিবদগী লোকদাউন লৈখিদুনা ঙসি ফাওবদা মথৌ পাঙথোকপা য়াদনা ৱানা লেল্লিবা কৈরাও এ সীগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বরনা এ সী অসিদা লৈবা ভেন দ্রাইভর ৭৬তা চেঙ বেগ ১/১, হৱায় অমদি শেলগী মতেং পাংখ্রে।

কৈরাও এ সীগী মনুংচন্না লৈবা চনম শন্দ্রোক্তা লৈবা গমা রে ক্লবকী শঙলেনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম এল এ এল রামেশ্বরনা হায়খিবদা মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা লমদম অসিদসু চাওনা চৈথেং ফংবা মরম্না চাওরাক্না থা ৯ লোম হেন্না স্কুল ভেন সর্ভির্স লেপখিবনা মরম ওইদুনা মখোয়গী ইমুং-মনুংগী অৱাবদা খরদং ওইরবসু মতেং পাংনবা হায়দুনা চান-থক্নবা অমদি শেলগী মতেংশিং অসি পীবনি। মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিং অসি য়াম্না চাওই। মরমদি মখোয় সর্ভির্স অসি তুংগী য়ুম্বিরেল ওইরক্নদবা অঙাং কয়া পুদুনা চৎলিবনি। মরম অদুনা মখোয়বু পুক্নিং থৌগৎপা অমদি মীয়াম্না মতেং পাংবগী মতম অদু ওইরে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# জুকো ভেলিগী মৈ লাকশিন্নবা হোৎনবদা এ আর অমসুং আর্মীনা মতেং পাংলি

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী লোন্নবা ঙমখৈদা লৈরিবা লম কোয়বা কয়াগী পুক্নিং চিংশিনফম ওইরিবা জুকো ভেলিদা চাক্লিবা মৈ লাকশিন্নবা হোৎনবদা ইন্দিয়ন অর্মী অমসুং অসাম রাইফলসনা চাওনা মতেং পীরি হায়না ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ অসাম রাইফলসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, জুকো ভেলিদা চাক্লিবা মৈ মুথৎনবা হোৎনবদা ইন্দিয়ন অর্মী অমসুং এ আরনা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওর্গনাইজেসনশিংদা চাওনা মতেং পীরি। মৈ কন্নবগী থবক চঙ্খরিবা নেস্নেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন দি আর এফ) কী টিম্না পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংশিনবা ওইনা অর্মীনা এন দি আর এফ টিমগী লৈফম অমদি চখোক চৎশিন্দা মতেং পীরি। নোংথক্তগী মৈ কন্নবগী থবক চঙ্খরিবা টিমশিংনসু চাওনা মতেং পীরি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অদুগী মতাংদা অর্মীগী সেনিয়র ওফিসলশিংনা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংগা ফম্মিন্নদুনা ৱা খন্নখ্রে। অর্মীগী মায়কৈদগীসু মৈ অদু কন্নবা হোৎনবদা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং তিল্লিবা মীয়ামদা দিসপ্লে তৌদুনা উৎখি হায়রি।

# লোক্তাক খোর্জে লূপকী মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারি ০৩ (ঐচ এন এস) : লোক্তাক খোর্জে লূপ, থাঙ্গা লিংখৎখিবা চহী তরুক মপুং ফারকপগা লোয়ননা লূপ অসিগী তরুকশুবা মপোক কুমওন থৌরম সেন্দ্রাগী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগা মরী লৈননা লোক্তাক খোর্জে লূপকী মনাসু লান্থোকখ্রে হায়রি।

লূপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম পি রাজকুমার রঞ্জন, লাইশ্রম নন্দকুমার, আই এ এস দিরেক্টর এদ্যুকেসন (এস), ষ্টেট প্রোজেক্ট দিরেক্টর, এস এস এ, আর এম এস এ, চ্যেরমেন বোসেম, দিরেক্টর ষ্টেট লোটরি গভর্ণমেন্ট মণিপুর, হৈস্নাম বালকৃষ্ণ এম সী এস, দিরেক্টর দি আই পি আর গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমদি ওইনাম তোম্বনা মরু ওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা চৎলিবা চহী অসিদা মনা ফংলকখিবা লূপ অসিগী থৌমী মরি খ্বাইরকপম সনায়াইমা, জাতিশ্বর তোংব্রম, দেবদাস মাইরেম্বম অমসুং অকোইজম সুভাচন্দ্রবু হরাও তয়াম্না ওকপগা লোয়ননা লূপকী চহীগী চেফোং লোক্তাকখোল মঙাশুবা মশীংসু ফোঙখি। চহীগী ওইনা লান্থোকপা লোক্তাক খোর্জে লূপকী মনানা মথংশিংনা কৈশাম্পাৎতগী মুতুম রমনিনা দোনর ওইবা লোক্তাক লাইরেন্বী খোরিরোল মনা ২০২১ শৈরেং লাইরিক 'ঈরৈদা নোংলৈ' গী অইবা শগোলশেম লনচেনবা মীতৈদা, এন রঘুমণিনা দোনর ওইবা নিংথৌজম নিংথেমজাও নীংশিং খোরিরোল মনা ২০২১ না উমরাউ জান অদাগী হন্দোক্লোই এম এম অহমদতা, ৱাঙদগী অমোম মণিকাপুরনা মপাগী মিংদা কৎপা ৱাঙু খোঙনাং নীংশিং খোঙজোম পর্ব মনা ২০২১ না খোরসানতাবীদগী নিংথৌজম দসুমতি অমসুং এম রেবিকানা দোনর ওইবা নিংঙোম্বম প্রেমকুমার অমসুং মেমচা নীংশিং মোইরাং শাই মনা ২০২১ না লাঙথেল থোইনুদা পীখি হায়রি।